# য়ুক্রেন প্রসিদেন্ট কিয়েব ওফিস থাদোক্লম্লে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ য়ুক্রেনগী কোনুং কিয়েবতা লৈবা প্রসিদেন্টকী লৈফম অমদি ওফিসিয়েল বিল্ডিং থাদোক্লমদুনা য়ানুকোভিস চৎকিবদগী ৱাকৎলোইশিংনা অপনবা য়াওদনা প্রসিদেন্টকী ওফিসতা চংশিল্লকখ্রে। পুলিসনা ৱাকৎলোইশিংগী মীচঙদা লৈরে হায়বগা লোয়ননা ওফিস ঙাক শেল্লম্বদগী হন্দোকখ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনসু মসিনা মীয়াম্বু শৌগৎলি হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসকী এদশিংনা হায়বদা প্রসিদেন্ট অসি হৌজিক রুসিয়াগা নক্লবা খাখিবতা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী ওপোজিসন্নসু চহি অসিগী মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মতম অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা শেমখিবা পিছ দিল অদুদা য়ানখিবা মতমদগী ঙনখৎলবনি।

ৱাকৎলোই পরেং পরেংনা হৌজিক প্রসিদেন্ট ওফিসকী মমাংদা লৈবা লম্বী ঙাক শেল্লি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিস অসিগী থোঙ পুম্নমক লোল্লি অদুগা সিক্যুরিটি গার্দ খরখক লৈরি। ৱাখল নুংঙাইরবা মানবা ৱাকৎলোইশিংনা হায়বদা মীয়ামনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনবা পাম্লে হায়দুনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মথৌ তৌদবদগী লৈঙাক শক্তিদা অহোবা অমা লৈবদগী অনৌবা স্পিকর টুরচিনোবনা কিয়েবতা লৈঙাক লুচিংবা ওইনা লৈরি।

য়ুক্রেনগী পার্লিয়ামেন্টনা ওপোজিসন লিদর য়ুলিয়া টাইমোসেনকোবু খুদক্তা থাদোরক্লবা ভোট পীখ্রে। ইং ২০১১ দগী হৌনা শক্তি লান্না শীজিন্নে হায়বগী মরালদা টাইমোসেনকোবু চহি ৭ কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংদুনা লৈরক্লিবনি।

য়ুক্রেনগী পার্লিয়ামেন্টতা স্পিকর ভোলোদিমির রাইবাক মশা ঙমদ্রে হায়না মরম পীদুনা ফম থাদোকখ্রে। অদুগা মহাক্কী মহুৎতা টাইমোসেনকোগী মপাং অমা ওইরিবা ওলেক্সান্দর টুরচিনোবনা মহুৎ শীজিনখ্রে।

অরসেন অভাকোব হায়বা টাইমোসেনকোগী অতোপ্পা মপাং অমসু চৈরক্কী ওইনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরগী থৌদাং পুহনখ্রে। মমাং চয়োলদা ৱাকৎলোইশিংদা অকনবা থবক চখদুনা মীচম কয়ামরুম শিহনখিবদু মহাক্কী মরালনি হায়বগা লোয়ননা হান্নগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ভিটালি জাখারচেনকোবু মফম লৌথোকখিবনি।


ওপোজিসন উদার পার্টিগী লিদর ভিটালি ক্লিটসকোনা প্রসিদেন্টপু খুদক্তা মফম থাদোক্কদবনি হায়না অমুকসু হন্না দিমান্দ তৌখ্রে।

চৈরক অসিদা প্রসিদেন্টকী এদ হাননা হরমনা হায়বদা প্রসিদেন্ট অসি খারকিপতা চৎখ্রে হায়বগা লোয়ননা মফম অদুদগী মহাক্না টেলিভিজনদা মীয়ামদা ৱা ঙাংলক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী খা নোংপোক অমদি ক্রিমিয়া হায়বা রুসিয়ারোমদা নকশিনবা পাম্বশিংনা প্রসিদেন্টকী মনাক্তা অপুনবা থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়নসু হন্ননা ফোঙদোকখি। অদুবু এদ অসিনা হায়বদা থৌরম অদু প্রসিদেন্ট য়াওরোই অদুগা মহাক লৈবাক থাদোক্কুনসু চৎলোই হায়না মখা তারকখি।

অমরোমদা ওপোজিসনগী লুচিংবা অমনদি ইন্দিপেন্দেন্স স্কৱারদা ৱাকৎলোইশিংদা প্রসিদেন্ট মফম থাদোকখ্রে হায়না লাউথোকখ্রে। পাউ অসি কনফার্মদি তৌদ্রবসু মীয়াম্না অপেনবগা লোয়ননা লাউ খোংদুনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি। লিখুন অসিনা হায়বদা প্রসিদেন্টকী ৱেবসাইট থাগৎলম্বদু হৌজিক্তি তোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# ভেনিজুয়েলাগী লিদর নিকোলাস মাদুরোনা ওবামাগা ৱারী শান্ননিংলি



*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ ভেনিজুয়েলাগী লিদর নিকোলাস মাদুরোনা হৌজিক ভেনিজুয়েলা অমদি য়ু এসকী মরক্তা নুংঙাইনদবগী প্রোব্লেম অমা থোক্লিবা অসি লোইশিন্নবা পান্দমদা মহাক্না উন্নদুনা ৱারী শান্নসি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাদা খঙহল্লকখ্রে।

মাদুরোনা হায়বদা মখোয় অনি উন্নবনা অশেংবা অচুম্বদু করিনো হায়বা খন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা মহাক্কী গভর্নমেন্টপু ইন্থুনবা শিল্লি হায়না মহাক্না য়ু এস কঞ্জার্ভেটিভশিং অমদি মেদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংবু মরাল শীখিবনি। হৌখিবা ইরাইদা ভেনিজুয়েলানা লৈবাক অসিগী ইরাং অসিবু কভরেজ পীরিবা সি এন এন রিপোর্টরশিংগী এক্রেদিটেসন চৎনহনখিদ্রবনি। ইরাং অসিদা মীওই ৮ সু শিখ্রবনি। ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পাউগী মীফম অমদা মাদুরোনা হায়খিবদা, ভেনিজুয়েলা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্ননবা খঙহল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

অৱাংবা থাক্কী ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমা লৈবাক অনিগী মরক্তা পাঙথোক্লগা অচুম্বা ফিভম অদু খন্নবা য়াগনি। ৱারী শান্নবা অসি য়াম্না অরুবা অমদি ওইগনি হায়নসু মাদুরোনা ফোঙদোকখি।

অদুগা লেটিন অমেরিকাদা ফুল ওটোনোমি অমদি ইন্দিপেন্দেন্টস লৈহনবদা অমেরিকা গভর্নমেন্টনা য়াদ্রিবমখেদি ৱারী শান্নবদা ৱারোইশিন পুরকপা ৱাগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

চৎখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক অসিনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা লুপশিংগা উন্নদুনা থৌইনশিন চংই হায়বগীদমক য়ু এস দিপ্লোমেট অহুমসু লৈবাক অদুদগী তান্থোকখ্রবনি। মসিগী মমাংদা ভেনিজুয়েলানা সি এন এন গী কারাকাসতা বেজ তৌবা রিপোর্টর ওজমেরি হর্নান্দেজ অমদি সি এন এনগী জর্নেলিষ্ট অনিগী এক্রেদিটেসন রিভোক তৌখ্রবনি।

গভর্নমেন্টনা হায়বদা হন্দক থোক্লিবা ভেনিজুয়েলাগী ৱাকৎ ইরাং অসি কু চখনবগী থৌরাং অমনি হায়না মরাল শীখিবনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা ইরাং অদুবু য়ানিংদে হায়বগা লোয়ননা থৌওং অসি দেমোক্রেসিগা চুনবা থৌওং নত্তে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

# ইটলিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ৱাশক লৌখ্রে



*রোম, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ ইটলিদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবশিংদগী খ্বাইদগী চহি নৌরিবা মেটিও রেঞ্জিনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অমা ৱাশক লৌখ্রে।

মশাগী চহি ৩৯ দা ঙাইরিবা রেঞ্জি চহি নৌবতা নত্তনা লৈবাক ঙাকপগী এক্সপরিয়েন্স খ্বাইদগী লৈত্রিবা লুচিংবা অমসু ওইরি। ফ্লোরেন্সগী মেয়োর ওইরিঙেদা মীয়াম্না মশক খঙলকখিবগা লোয়ননা রেঞ্জি অসি পার্লিয়ামেন্ট মীখল অমত্তদা মায় পাখিদ্রি অদুগা নেস্নেল গভর্নমেন্টতা অমুক্তা য়াওখিদ্রিবনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মহাক্না অয়াম্বনা নহা ওইরিবা কেবিনেট টিম অমসু য়াওখি। টিম অসিগী তঙ্খাই অমরোমদি নুপী ঙাক্তনি। বি বি সিগী পাউমী অমনা রোমদা হায়খিবদা য়ুরোজোনগী খ্বাইদগী চাওবা অহুমশুবা ইকোনোমি অমা ওইরিবা ইটলি অসি মহাক্না শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্বা নত্রগা ঙমদবা হায়বসিদা মহাক্কী মতিক চাবা চাদবা লেপকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইটলিদা হৌজিক হৌজিক থবক ফংদবগী মশিং অসি নহা ওইরিবা মীওইশিংগী অপুনবগী চাদা ৪০ রোম ওইরিবনি।

এমপ্লোয়মেন্ট অমদি টেক্স সিষ্টেম মথক মখা ওন্থোকপগা লোয়ননা থা ৪ গী মনুংদা এদুকেসন সিষ্টেমসু ফগৎহনগনি হায়না রেঞ্জিনা মমাংদা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু মহাক্না লুচিংলিবা কোলিসন গভর্নমেন্ট অসিদি মহাক্কী পান্দম অসি তানবদা ৱাগদবা অমা ওইরি। হৌখিবা ইরাইদা রেঞ্জিনা অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্বগী মেন্দেদ য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কেবিনেট ওইগদবশিংগী মমিংশু ফোঙদোকখিবনি।

কেবিনেটকী মীওইশিং লাউথোকপগা লোয়ননা মহাক্না হায়খিবদা ঐহাক্কী গভর্নমেন্ট অসি হয়েং অয়ুক্তগী থবক্তা হেক্তা লুপশিল্লগদবা গভর্নমেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

রোমদা লৈবা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা ঙসিগী ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। মখোয়বু প্রসিদেন্ট গীওরজিও নেপোলিটানোনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌহনখি।

নিংশিংবা য়াবদি মসিগী মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা অদুগা মহাক্কী পার্টি কলিগসু ওইরিবা এনরিকো লেতাবু থা ১০ খক লৈঙাক্লবগী মতুংদা পার্টি মনুংদা পাঙথোকপা মীখল অমদা রেঞ্জিনা মায়থিবা পীখিবনি। ইটলিদা ওইরিবা লৈতাদবা ফিভম অসিদা গভর্নমেন্ট হোংদোকপা মথৌ তারে হায়নসু রেঞ্জিনা ফোঙদোকখিবনি।

ইটলিগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা লেতানা করিগুম্বা অমত্তা পায়খৎত্রে হায়নসু রেঞ্জিনা মরাল শীখিবনি। হৌখিবা চহি ৭ কী মনুংদা ইটলিগী ইকোনোমি চাদা ৯ হন্থরকপগা লোয়ননা চহি ৪০ গী মনুংদা থবক ফংদবগী মশিংসু খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরিবনি।

লেতানা ব্যুক্রেসিদা হেন্না শৌগৎতুনা গভর্নমেন্ট মনুংদা করপসনগী চাং হেনগৎহল্লে হায়নসু রেঞ্জিনা মরাল শীখিবনি।

# থবোম্বীগী কেন্সর ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং খরা

*থবোম্বীগী কেন্সর কেস অপুনবগী চাদা ৮০ দগী ৯০ ফাওবদি মৈখু থকপনা থোকহল্লি হায়রগসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংদি মৈখু থকপা খক্তগী নত্তে। অখণ্ড অহৈশিংনা থবোম্বীগী কেন্সর নারক্লবগী মরম কয়ামরুম খঙদোকপা ঙম্লবসু লায়না অসি নারকপা মীওই অপুনবগী তঙ্খাইরোমদি হৌজিক ফাওবদা মৈখু থক্তবশিং ওইরি। থবোম্বীগী কেন্সর নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং খরা মখাদা পীরি।*

*মৈখু থাদোকউঃ নহাক্না করিগুম্বা মৈখু থকপা ওইরবদি খুদক্তা তোকথোকউ। থক্তবা ওইরগনা কৈদৌঙৈদা অমুক ফাওবা মহাও তংলুগনু। রিসার্চ চখবদগী খঙবদা চহি কয়ামরুম মৈখু শীজিন্নরক্লবসু মতম অমদা মৈখু থকপা হেক্তমক তোকপদা লায়না অসি নারকপগী খুদোংথিবা অদুমক হন্থে। অতোপ্পনা থকপদা মনাক্তা লৈদুনা খুথাং ওইনা মৈখু চিংশিনবা থোক্তনবা হোৎনবা ফৈ। মরমদি থৌওং অসিনসু থবোম্বী কেন্সর নারকপগী খুদোংথিবা হেনগৎহল্লি।*

*শাজেল তৌঃ থবোম্বীগী কেন্সর ঙাকথোকপদা চাং নাইনা শাজেল তৌবনা ফজনা পাংশিল্লি। ষ্টদি কয়ামরুম চখবদা চৎ–নোম্বা অমদি লেং–ওৎপগী থৌওংশিংনা থবোম্বী কেন্সরগী খুদোংথিবা হন্থহল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।*

*খুদম ওইনা ইচম চম্না চয়োল অমদা নুমিৎ নিনিখক ইঞ্জোল শুবদা থবোম্বী কেন্সর নারকপগী খুদোংথিবা ফজনা হন্থহল্লি।*

*হৈ–রা অমদি মনা–মশিং চাওঃ চানবা চিঞ্জাক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী মনা মশিংগী এঞ্জাংশিং চাবা ফৈ। অশংবদা য়াকশিনবা ব্রোকোলি, পালংশাক, তিলহৌ, এপল, খামেন অশিনবা অমদি কোল্লা তোয়না চাবা ফৈ। হৈ–রা অমদি মনা–মশিংনা অনম্বা ওইবা চিঞ্জাক্না থবোম্বী কেন্সর থিংবদা ফজনা মতেং পাংই হায়বসি ষ্টদি কয়ামরুমদগী খঙবা ঙমখ্রে।*

*রেদোন এক্সপোজর ঃ চুরাট থক্তবা মীওইশিংদা থবোম্বী কেন্সর নাহনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি রেদোন ওইবা মরমনা ইমুংদা রেদোনগা হকথেংনগদবা পোৎলমশিং য়ারিবমখে শীজিন্নদবা ফৈ।*

*থবোম্বী কেন্সর কেসশিংগী মরমশিংগী মনুংদা রেদোননা অনিশুবা খ্বাইদগী য়াম্বা মরমসু ওই। রেদোন অসি মচু লৈতবা মহাও লৈতবা রেদিয়মগী রেদিওএক্টিভশিংনা কাইরকপদা থোকহনবা গ্যাস অমনি। রেদিয়ম অসিনা য়ুরেনিয়মদগী পথ্ পুমথরক্লবা মতুংদা ওইরকপা পোৎচাক অমনি।*

# সোমালি প্রসিদেন্টকী লৈফমদা এটেক তৌখ্রে



*মোগাদিসু, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ লান্মীগী ফিজোল শেৎপা নোংমৈ অমদি বোম পায়বা অল সাবাবকী মিলিটেন্ট ৯ না ঙরাং কার বোম অনিগা লোয়ননা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা এটেক চথরকপদগী খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট ৯ অদু শিখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।


প্রসিদেন্ট হাসন সৈখ মুহমদতি থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওহৌদ্রে। অদুমকপু গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েল অনিদি থৌদোক অদুদা শিখ্রে হায়নসু ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখ্রে।

ঙরাং চথরকখিবা এটেক অসিনা মোগাদিসুদা নুংনাংনিঙাই ওইবা থৌওং অমা থোকহল্লে হায়রি। ইং ২০১১ গী ওগষ্ট থাদা মোগাদিসুদগী অল সবাব তান্থোকখ্রবা মতুংদা মতেক খরা ইংনা লৈরুরবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংগা হৌখিবা চয়োল খর অসিদা শাথিবা এটেকশিং চখরকখিবগা লোয়ননা সিটি অসি লানবুং অমগা পাঙ্খক ওইরবনি। ঙরাংগী এটেক অদুদা সোমালি আর্মিদা য়ৌগদবা খুৎলায়শিং মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নরম্বা য়াই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোমালিয়া অমদি ইরিত্রিয়াদা য়ু এনগী মোনিটরিং গ্রুপ অমনা থা অসিদা থাদোরকপা রিপোর্ট অমদা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা অল কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংনা খুৎলায় হেক হেক লৈবা মফম অমদা খুৎশু খুৎলায়শিং য়োনবগী পাউ লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা থৌদোক অমদা অল সবাব কম্মান্দর অমদা সোমালিগী মিলিটরি কম্মান্দর অমনা খুৎলায় অমা য়োনখি হায়বগী চপ চাবা খুদম লৈরে হায়নসু য়ু এনগী রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈরিবা কম্পাউন্দর অদুদা ঙরাং কার বোম অনি পোকখাইরকখিবনি হায়রি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী টি ভি ষ্টার চার্লোট দোসন লৈখিদ্রে



*সিদনি, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী শক্লাইরবী টেলিভিজন পার্সোনেলিটি অমদি প্রজেন্টর ওইরম্বী চার্লোট দোসন সিদনিদা লৈবা মশাগী য়ুমদা শিরগা লৈরম্লে।

মশাগী চহি ৪৭ শুরবী টি ভি ষ্টার অসি লৈখিদবগা মরী লৈননা চিংনবা য়াবা ফিভম অমত্তা থেংনদে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্না মোদেল ওইরম্বী নিউজিলেন্দ মচা অসি মমাংদা ৱাখল অনম অহা চুবগী অশাংবা হিষ্টরি অমদি লৈরকখিবনি।

নিউজিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন কি না মহাক লৈখিদবসি পুক্নিংদা শোকহনবা য়াম্না ৱাবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

‘দা কন্টেন্দর ওষ্ট্রেলিয়া’ হায়বা রিয়েলিটি টি ভি সো অসিগী হোষ্ট ওইনা মীয়ঠম্না পাক শন্না শক খঙখিবী ষ্টার অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী নেক্স টোপ মোদেল হায়বা প্রোগ্রাম অদুগী জজ ওইনা থৌদাং লৌখিবদসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবনি।

ইং ২০১২ দা ত্বিটরদা সাইবর বুল্লিয়িংগী টার্গেট ওইবদগী দোসন হোস্পিটালদা এদমিট তৌরুবনি। মোদেল্লিং কেরিয়র চংশিল্লকপদা মশাগী চহি ১৬ শুরকপদা দোসন মরমদম নিউজিলেন্দ থাদোক্লম্লগা লাকখিবী চার্লোট অসি মহাক্কী মরুপ মপীজাশিংনা ৱা ঙাংবদা অপনবা লৈতবা অশেংবা অচুম্বা ফোঙদোক্কনবা মীশক অমনি হায়নসু শিংথানখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নেক্স টোপ মোদেল ফেসবুক পেজদা থারকপা চেরোল অমদা টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টর ফোক্সটেলনা চার্লোট শিখিবগী পাউ অসি য়াম্না নুংঙাইতবা পাউ অমনি। ফোক্সটেলগী ষ্টাফ পুম্নমক্না থম্মোয় শোক্না নিংবা কাইবা ফাওরি। মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংগী অৱাবদা ঐখোয়সু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শক্লাইরবা ফেসন দিজাইনর এলেক্স পেরিনা মগুন লৈনা মশক ফজরবী বুধি লৌশিং চংখোনবী নুপীমচা অমা ঐখোয়না মাঙজরে। মহাক্কী থৱায়না ইংনা পোত্থাবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকখি।

# পাকিষ্টান ফাদোক জেলদা শিরম্লে

*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ পাকিষ্টানগী ফাদোক অমা ইন্দিয়াগী জম্মুদা লৈবা জেল অমদা মথন্তা শিজবনি হায়বা থৌদোক অমদা শিরম্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

জেল সুপরিটেন্দেন্ট হরিস কোত্বালগী ৱাহে পল্লদুনা লিখুন অসিনা হায়বদা সৌকত অলি হায়বা ফাদোক অসিনা জম্মু সিটিদা লৈবা জেল অদুগী টোইলেটকী মীহুৎ থোঙগী য়োৎচৈদা মশাগী স্কাফনা কিশিল্লগা য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী হকচাং অদু জেল ষ্টাফশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থেংনরকপনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী লমদা শোইদুনা চংশিল্লুবদগী সৌকত অলি অসি ইং ২০১১ দা ইন্দিয়াগী ওঠোরিটিনা ফাখিবনি।

সৌকত অলিনা শিরম্লিবা জেল অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়বা ৱাফমদা অলি শিখিবগা মরী লৈননা থিগৎনবা হুকুম অমা থোকখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। লিখুন অসিনা হায়বদা সৌকৎ অলি মীচম অমনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না ইন্দিয়াদা চংলুবদু শোইদুনা থোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়ান ওরিজিন ডাক্তর অমগী মথক্তা থিগৎপা হৌখ্রে

*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি* ২২ঃ য়ু কে দা লৈদুনা থবক তৌবা ইন্দিয়ান ওরিজিন কন্সল্টেন্ট সার্জন অমনা লায়েংলিবা মীওই অহুম শিখ্রবগী মতুংদগী মহাক্কী মথক্তা থিগৎপা হৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱোর্সেষ্টরসায়রদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা কন্সল্টেন্ট সর্জন ওইবা সুদ্বিপ সরকারনা লায়েংবা অনাবা অহুম শিখ্রবগী মতুংদগী মহাক্কী মথক্তা চিংনবা ফোঙদোকপা চিঠি অমা মমাং চহিদা ৱেষ্ট মার্সিয়া পুলিসনা ফংখি হায়রি।

পুলিসনা হায়বদা অনাবা অহুম অসি শিরবা মতুংদা অশিবশিং অদুদা চখগদবা ইনক্বেষ্টকী খোঙথাং অমসু য়ৈথোকখি। মশাগী চহি ৪৪ শুরবা সরকার অসি অলেকজেন্দ্রা হোস্পিটালদা ইং ২০১১ গী ওগষ্টতগী থবক তৌবা হৌরকখিবনি। অদুবু ইং ২০১২ গী ওক্টোবরদা মহাক সস্পেন্দ তৌখিবনি।

মহাক্না লায়েংলিবা অনাবা অহুম ইং ২০১২ দা শিখ্রবা মতুংদা চিংনবা অমদি নুংনাংবা হেনগৎলক্কুনা মহাক্কী মথক্তা য়েংশিনবা হৌরকখিবনি হায়নসু ৱেষ্ট মর্সিয়া পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্টনা ফোঙদোরকখি।

হোস্পিটালদগী মরী লৈনবা চে চাংশিং লৌনবা ঐখোয়না হোৎনরি। অতৈ হেল্থ ওর্গনাইজেসনশিং খরদগীসু চে চাংশিং লৌখৎলবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেসন হৌগনি হায়নসু মহাক্না মখা তারকখি।

মহাকপু সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লিঙৈ মনুংদসু মহাক্কী মরমদা নুংনাংবা অমদি চিংনবা ফোঙদোকপা ৱারোল কয়ামরুম ঐখোয়না থেংনরকখি হায়নসু সুপরিন্টেন্দেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি। মপুং ফানা থিগৎপদা কেস অসি অরুবা অমা ওইবা মরমনা মতম চংগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

